ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯱꯷, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯱꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, জুলাই ১৭, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১১২শুবা মশীং

## চৈরাক্তগী নাম্থোকখিদনবা হোৎনহন্নীংই

### চপ চাবা ফোর্মেলিটিশিং ঙাক্লা তৌহৌগদবনি

হন্দক নুমিৎ খরনিসিদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক ওইনা শীজিন্নবা দ্রগ মখলশিং, হিরোইন নম্বর ফোর য়াওনা নার্কোটিক দ্রগ অমসুং সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেশিং য়াওবা পোৎলমশিং য়াম্না তোয়না ফাগৎপগী থৌদোকশিং থোরক্লে। থৌদোকশিং অসিনা তাক্লিবদি ইল্লিগেল দ্রগশিং অসিবু স্মগল তৌরকপগী থবকশিং লেপ্তুনা চত্থরি। অদুগা ক্রোস বোর্দর স্মগল তৌরক্লবা পোৎলমশিং অসি মণিপুরদগী লৈবাকসিগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা অমুক পুনবগী থবকসু লেপ্তুনা চত্থরি হায়বনি। হায়রিবা থবকশিংসি লেপ্তুনা চত্থরকপদগী ফাগৎলকপনি। ঙা লৈতবা পুখ্রিদগী ঙা ফাবা য়ারোই। ফাগৎলক্লিবা ঙাশিংদু পুখ্রিদুদা লৈবদগী তোঙান-তোঙানবা পান্বেশিং শীজিন্নদুনা ফাগৎলকপনি। অফবা থবকনি। মশা মশাগী ছোর্সমেন্টশিং শেমগৎচদুনা ইন্টল্লিজেন্ট ইনপুটশিংগী মতেংগা লোয়ননা মায় পাক্লা ফাগৎলকপা ঙম্লিবা পুলিস অমসুং অতৈ পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংবু থাগৎপীফম থোকই। রিৱার্দ, এৱার্দ পীদুনা পূক্লিং থৌগৎপীগদবনি।

অদুবু মণিপুরদা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং ওইনা শীজিন্নবা মখল কয়াগী দ্রগশিং ফাগৎপগী থৌদোকসিদি অনৌবদি নৎত্রে। চহী খরগী মমাঙদগী ফাগৎতুনা লাকখ্রবনি। হৌজিকসু ফাগৎলি, মতুংদসু ফাগৎলকখিনি। দ্রগ স্মগ্লিংগী থবকসিদা মণিপুর ট্রাঞ্জিৎ পোইন্টনি। অদুনবু অসিগুম্বা থৌদোকশিং তোয়না থোকচিল্লকপদগী ষ্টেট গবর্ণমেন্টনা হান্নদগী লৈরক্লিবা নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি এন্দ পি এস) কী স্পেসল কোর্টকী মথক্তা ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট লিংখৎতুনা মথৌ তৌহল্লক্লিবনি। ৱার এগেনষ্ট দ্রগস হায়বগী অকনবা থবকশিং ফাওবা পায়খৎলক্লিবনি।

মরম অসিনা দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী মচি মচিদা তোয়না ফাগৎলক্লিবা থৌদোকশিংসিদা চেন্নবা ওফেন্দরশিং প্রোজিক্যুট তৌদুনা মরালগী মতুং ইনবা ফংহনফম থোকপা চৈরাকশিং ফংহন্নবা হোৎনগদবনি। চৎনরিবা এন দি এন্দ পি এস এক্টকী প্রোভিজনশিংনা পীরিবা ফোর্মেলিটিশিং চপ চানা পাঙথোক্তুনা, লৌখৎতুনা পনিশমেন্ট পীনবা হোৎনগদবনি। ফাগৎলিবশিংসিসু ফৈ, অদুবু মসিদগী হেন্না ফবদি মরাল লৈরে হায়দুনা ফারবা মীওইশিং অসি মরালগী মতিক চাবা চৈরাক ফংহনবদুনি। ঙা ফানবা ঈন চিংবা নৎত্রগা লোংউপ তানবদা ফানীংলিবা ঙাদু ঈন মনুংদা য়াওরে নৎত্রগা লোংউপনা উপলে হায়বদুনা য়াদে। ঈনদগী নৎত্রগা লোংউপ মনুংদগী লৌখৎলক্তুনা খ্বাংদা পুল্লিবা তুঙ্গোল মনুংদা হাপচিনবা চঙই। মণিপুরগী শান্নরোয় ৫না হন্দক্কী টোকিও ওলিম্পিক্তা লৈবাকসিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারগদৌরিবা অসি য়াম্না ফৈ, হরাওই অমসুং থাগৎনীংঙাইনি। অদুবু খম থেংনা নুংঙাইগদবদি মখোয়না মেদল লৌরকপদুনি। মরম অসিনা লুপা ক্রোর-ক্রোরগী ওইগদবা দ্রগশিং ফাগৎলে হায়দুনা হরাওরুরগা কোর্টতা ৱায়েল চত্থরকপদনা চিৎ লিৎথোকখিদুনা ঙাপ্রুম মমৈ খুজিন শিকপগী থৌদৌ হেক্তা তাহৌই। ৱারু-নুংজু থোক্লে। লৈবাক ৱাথোক ওইরকপা য়াওই। মরমশিং অসিনা ৱায়েল চত্থরকপদা অহোবা লৈরক্তনবা চপ চাবা থবক, তৌফম থোকপা ফোর্মেলিটিশিং নীংথিজনা তৌহৌবা চঙই হায়নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২২

১) কুমজা ১৯৫৪দা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা *'জাৎ ওনবা'* হায়বা লাইরিকসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

২) *''থমজরল্লে থৱায়গী থৱায়/পামজবদা পীথোক্লল্লে/শেমজরল্লে তুরেলগী কাওশীং/ঈচেলনুংদা শিন্নরল্লে।/অসি য়ৌনা লাইবকথীরবী/তোর্বান ৱাংমা য়ৌজরগে।''* ঈশৈ শৈরেং মতেকসি কনানা ইবনো অমদি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

৩) গ্যানপিথ এৱার্দ ফংলবা গুরদিয়াল সিংহগী *''মারহি দা দীভা''* হায়বা লাইরিকসি মীতৈলোন্দা করি হায়না থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?

৪) *''চীংথঙখোম্বা মহারাজ গঙ্গা চৎপা''* হায়বসি কনানা লেংবনো?

৫) কলিকতা বিশ্ববিদ্যালয়দা ইন্টরমেদিএট আর্টসতা তম্নবা অহানবা মণিপুরী শৈরেংগী টেক্স বুক ওইখিবদু করি লাইরিকনো, কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২১গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) খুরাইজম বিদ্যালক্ষ্মি, য়ুরেম্বম ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪)
২) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,২,৩,৪,৫)
৩) ইবোচৌবা কোন্থৌজম, শগোলবন্দ তেরা খুরাইজম লৈরক - (১,২,৩,৪)
৪) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
৫) মৈস্নাম রাহুল, হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
৬) সী ঐচ সুরজিৎ, ময়াং ইম্ফাল বজার - (১,২,৩,৪)
৭) কে মেমি, ময়াং ইম্ফাল বজার - (১,২,৩,৪)
৮) সোইবম সুকুমার, মালোম বজার - (১,২,৩,৪)
৯) তোংব্রম সুনিতা, লুৱাংশংবম অৱাং লৈকায় - ১,২,৩,৪)
১০) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
১১) সুনন্দ তৌরাংবম, উরিপোক তোংব্রম লৈকায় - (১,২,৩,৪)
১২) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
১৩) ব্রোজেন্দ্রো সোরোখাইবম, ইরমসিফাই মমাঙ লৈকায় - (২,৩,৪,৫)
১৪) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,২,৩,৪,৫)
১৫) ইবোমচা ওইনাম, শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক - (১,২,৩,৪)
***১৬) য়েংখোম সঙ্গিতা লৈমা, মোইদাংপোক অৱাং লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***
১৭) থোঙ্গ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১,২,৩,৪)
১৮) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স (১,২,৩,৪)
১৯) ৱাঙ্খেময়ূম সুপ্রিয়া, ময়াং ইম্ফাল বজার - (১,২,৩,৪)
২০) দোনেশ্বরি থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেঞ্জোর মমাঙ লৈকায় - (১,২,৩,৪)
২১) সীনেদা থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেঞ্জোর মমাঙ লৈকায় - (১,২,৩,৪)
২২) য়ুম্নাম ইবোচৌবা, হাওরৈবী মখা লৈকায় - (১, ২, ৩, ৪, ৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ২১গী ৱিন্নর*

*য়েংখোম সঙ্গিতা লৈমা, মোইদাংপোক অৱাং লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)*

**হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লম্বী চথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া লৈবনা লিটরেরি ক্যুইজ ২১গী অহানবা মনা ফংলবা মীওই অদুগী মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা শেলগী মনা অসি হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২১গী পাউখুম

১) *'ৱাখল মচু-মচু, শক্তম মখল-মখল'* হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?
*:- আর কে বিদুর।*

২) *'পুন্সিগী মরুদ্যান'* হায়বসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?
*:- উপন্যাসনি। অইবনা অরাম্বম বীরেননি।*

৩) *'খোঙজি মখোল'* হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো? *:- নিংঙোম্বম সুনিতা।*

৪) *'সুরজকা সাতৱাঁ ঘোড়া'* হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা করি মমিং হায়না কনানা হন্দোকপগে? *:- ধরমভীর ভারতিনা ইবনি। নুমিৎকী তরেৎশুবা শগোল হায়না অরিবম কুমার শর্ম্মনা মণিপুরীদা হন্দোকই।*

৫) *''হৈরেম চা নুরা অতেংবী, লাইজ ঈদা শিবিয়ু মপান্না কোরৌ নুমিৎ মাপন্নি শুনা থিববু থিখঙদরবদা কোরৌ নুমিৎ তরানি শুবদা খোয়নৌ মতা ঙাইরোইনাইনা তাকলৈএ; অদু নোংগীবু হৈরেম লৈমতাকও তৌনা কৌএ।''* ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো? *:- চায়নরোল হায়বা লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি।*

# কপনীংলকপা

## ৱাইরু-ৱাইরুবদা



ঐ ঙসি কপ্পী। কপকে হায়বা তারবদি চহী কুনমুক্কী মমাঙদগী কপ্পা অদুম য়ারম্মবা পোৎনি। ঐনা ৱাখল তৌহৌদবদগী কপ্তুবনি। অঙাং ওইরিঙৈদা য়াম্না কপকল্লম্মী হায়নৈ। ইবুবোক, ইবোক লৈরিঙৈদা, ইমা, বাজি লৈরিঙৈদা য়াম্না কেজ নৌজনা চাউজ-শাংজরকপনিনা কপকনলমগনি খঙই ঐ। খরা চাউরক্লগা চহী ২০ শুবা অদুৱাই মতমদগী চহী কুন্থ্রা হেন্না কপনীংখিদ্রে। চহী কুন্থ্রাগী মতুং অসিদা কপনীংখিদ্রে। চহী কুন্থ্রাগী মতুং অসিদা কপনীং-কপনীংবা কপ্পদা মতিক চার-চারবা থৌদোক অমদি থৌদোক ঙাক্তা ঙায়রক্লে। মীবু ৱারৌজনা, মীবু হুল্লান্দুনা কপচ-লাউজনীংবদি নৎতে। লন্নাই ওইনা ইশানা ইশাগী ইরিস্বোং ফোয়দৎচরগা কপচনীংঙকপগী ৱানি। কপ্পদা অথিংবা থমলক্ত্রিঙৈ ঐবু ও খোংনা খোঙ অসি চীংখোং য়ৌনা শাংনা তিংথোক কপথোক্লসিরনে ঐবো! কপনীংবগী মরম য়াম্মী। হন্দক্তি অয়ূক অয়ূক ৱাকিং চৎলি। য়াম্নদি নুংঙাইদুনা লৈরম্মী, ৱাকিং চৎপগী থবকসি, মীঙোন্দা হায়দোকপা পাম্মুই। মসি হকচাংদদি হায়ফেৎ কান্নবা থবক অমা ওইরম্মী, অখঙ অহৈ, এক্সপর্ট, স্পেসলিষ্ট, ডোক্টর ময়াম্না রেদিওদা, টেলিভি-জন্দা ৱাকিং চৎপগী এদভাইস পী। তাবদদি য়াম্না নুংঙাইনা তাখি, অদুবু ৱাকিংদি চৎখিদে। ঙাঙলিবা মহাকসু ৱাকিং চৎলিবনি হায়বসি থোইনা খনজিল্লুদে। টেলিভিজন অমদি রেদিওবু ঐখোয়না করম্না লোয়নরিবগে হায়বদু অমুক ইতোমতা নোক্লিংজরকই।

ৱাকিং চৎপা হকচাং ফবদা নত্তে। ৱাখলসু শোয়দনা ফরমগনি। ইতোমতা চৎপনা নুংঙাই - মীগা চৎমিন্নরবদি য়াঙনা চৎকে, তপ্না চৎকে, ইশাগী ৱাখল খনগে, ফোটো অমুক কাপকে, ঙাইহাক অমুক ফমগে হায়বা য়াদে। মীয়ামগা পূন্না চৎমিন্নবা তারবদি মীয়ামগা মান্নবা তারকই। অদুদি ঐ তল্লি। ইশা ইতোমতা ৱাখল খল্ল-খল্লগা চৎপগী নুংঙাইবা অমা হন্দক ৱার্কিং চৎপদা তাঙনা ফংই। মীঙোন্দা হায়দোকনীংদে য়াম্না নুংঙাই। য়াম পাম্মুই, মীঙোন্দা ৱাকিং চৎহন্নীংদে খম্বনজৈ। মালেম পূম্বগী ৱাকিং ইথন্তা চৎনীংই। অয়ূকসু নুমিদাংৱাইরমসু ঐ ইথন্তগী ওইনীংলে হৌজিক্তি। কনামত্তদা পীথোকপা পামদ্রে।

ৱাকিং চৎপগী নুংঙাইতবদি হুই মখল মখল ময়াম অসিনি। মখোয় ময়াম অমা লম্বীদা, থোঙ্গালদা মরাং কায়না থেংনৈ। মমায়দা মতুনা পুময়োম য়োম্বা হুই, ময়াং শেকপী মানবা হুই, ঐমুক ৱাংবা হুই, মশা থা-থা লাউবা অমুবা হুই, মনা লেকপা, মমিৎ লাওবা, মখোঙ নেম্বা, অঙৌবা, অমুবা, অরাংবা, য়োং মচু। মমিং অমত্তা খঙদে। হুই হায়বা কম্মন নাউন দোগ হায়বা অসিদগী হেন্না ঐ খঙদে। ঐনা হুইগী মতাংদা নুংঙাইতবদি মখোয়না চিক্কনি হায়বগী কিবগী নুংঙাইতবা নত্তে মখোয়গী মমিং মখল অমত্তা খঙদবা অসিনি। ৱাকিং চৎপদগী হুইগী মতাংদা কূপ্না খঙনীংলকই। তাউবা হুই মীওইবগী মরুপনি, মখোয়গী মরমদা ইখঙ খঙদবা নুংঙাইরক্তে। কপনীংজৈ।

হুই খক্তা নত্তে ঐনা ৱাকিং চৎপদা কপনীংজবা। উচেক কয়া উই। উচেক কয়াগী মখোল তাই... মখোয় অমত্তা মমিং খঙদে। খোইনীং, লমখুনু, ক্বাক, তীংগোং কাংগোং, উরেংকোম্থৌ অসিতা মখঙই। অতৈদি ঐনা মমিং খঙদে মখোল অদুতা মতাই। মসিনি ঐনা য়াম্না নুংঙাইত্রিবসি। করিগীনো লৈমিন্নরিবা মরুপ মপাং, ইচিন ইনাও ময়াম অসি মমিং মথা অমত্তা খঙদ্রিবা অসিনি। মসি ঐখোয়না খঙজিনফম থোক্তবরা? ৱারী, শৈরেং, ৱারেং অমা ইগেনা হেক ঐনা খল্লকপদা অসুক্কী মতিক নুংঙাইতে, অসুক্কী মতিক কপনীংই। মমিং খঙদবা চেক্লাশিংনা উপাল ৱাপালশিংদা তোংলি, খোংলি, ঐবু কৌরি, ৱাকিং থোরক্লব্রা হায়না নুমিৎ খুদিং অয়ূক খুদিংদা হংলি। ঐনসু ঙক নোমদুনা, খূৎ হাইদুনা খুম্মী! কয়াদা নুংঙাইরবা অয়ূক। অদুবু মাগী মমিংদি অমত্তা খঙদে। মখোয়গী মমিং অমত্তা ঐগী কোক্তা লৈতে। মখোয়গী মমিং খঙফম থোক্তবরা? মসিমসু ঐ কপনীংই। ৱাকিং চৎপগী কপনীংবা।

লম্বীগী মপানদা ফজ-ফজরবা মশক মমিং খঙদ-খঙদ্রবা পাম্বীশিং হৌরি। কেৱা পাম্বীশিং, তিংখংলৈ (?) মরুম কোনবী, শিংখাংখা, লৈপুং খাংখ অসিদগী হেন্না অমত্তা খঙদরে। মশীং লাকঙমদ্রবা মনা-মশিং হৌরি, ঐনা বোটনিগী মহৈরোয় অমা ওইরল্লবা কয়াম নুংঙাইরমগনি, ঐনা সাইন্স লৌরক্তবা অসি কপনীংলকইদা...। ইপাগী, ইপুগী ওইবা লমদমসিগী ওইবা মমিং অমমম লৈরমগনি। ঐদি করিম খঙদ্রে অদুগা ঐগী ইখা তাবশিংসু ঐনা খঙদ্রবনিনা খঙদ্রে। তশেংনা কপনীংই। মসিনি ঐনা কপনীংই হায়জরিবসি। ৱাকিং চৎপগী ঐনা নুংঙাইজদ্রিবা। কপনীংজরিবা! ●

# পেন্সন লৌরিবশিং শিজখ্রো হায়ব্রা

**নবকুমার ওইনা**

চহী ৱায়শিল্লক্লবশিংদা য়েংলিবা মিৎয়েং অদুনা খুন্নাই অদুগী মীয়ামগী থম্মোয়দা লৈরিবা মীনুংশিগী থাক অদুমক অদুম উবা ঙমগনি। অহল ওইশিল্লক্লবা মমা-মপা থাকপা পামদবা মচা-মশু য়াম্না লৈবসিগী হায়রবদি অহলশিংসি শিবীদবা মী, মীনুখাং হায়দু ওইরকই। ভোট লেপ্পশিংনা অহল কোয়থি থিবদা য়াম্না ফংলিবসিগী মরম লৈগনি। কোয়থি থিরিসি ফাওবদা চিত্থরম্বা ময়াম অমসু থোক্লকই, চীংখোংদা লোৎলম্বসু য়াওই। যূমদা চাবা-চাদবা, অহাওবা চাবসু, লোৎলগা লৈবসু ময়াম অমনি। মী খুদিংমক অহল ওইশিল্লক্লিবনি, অদুম য়াল্লকপা তাবনি, য়াম্না উদ্রিবসি য়াম্না শিখিবগী ওইবা তারিবরা?

অহল ওইরক্লগা পেন্সন পীবসি মখল অনী থোক্লি। খুল্লক্তা মেম্বরশিংনা পীবসিদি হৈক্রু মনাদা য়োল্লগা পীবগুম্বনি হায়বসু লৈ। লৈঙাক্কী থবক তৌরম্বগী পীবনা চাবা-শেৎপা কোন্ননবা পীবা ওইগনি। নুপীনা, মচা-মশুনা মুন্নবসু লৈরিবনি। ইংলিসকী মতৌ তম্লগা পীরম্বনি, অনৌবদি পীদবনা য়াল্লক্লে। খুল্লক লৈরক্তনা পাউমী ফাওবদা পীখৎলকই, লৈঙাক্কী থবক তৌবা মীশিংনা ফংলক্ত্রবনি। প্রাইভেটকী থবক তৌবশিংদি পেন্সন ফংদে। ওল্ড এজ পেন্সন ওইরবদি অয়াম্বা ফংফম থোক্তবরা। পীবা ঙমদুনা পীরিবসি ফরবনি। লৈঙাক্কী পেন্সন পীরিবসিদি ফখ্রবা অমনি, শিখ্রবা মতুংদা চহী অহুম পীরম্মীবনি হায়বা য়াওখ্রবনি। চীং লম্বীদা খোঙনা নুমিৎ নীনি চৎপা য়াওরিবনি, অদুদবু কনাগী ফোটো কাপ্পা, শিবগী পাউ পীবা চৎপা তল্লোইদৌরিবনো। শেল ফংবগা অচুম্বা চৎপগা করম্বনা ফবগে হায়বসি শেল ফংলগা লোইরে হায়বা মী য়াম্না লৈ হায়বসিদি মীপূম খুদিংনা হায়গনি। অদুনবু পেন্সন ফাওবা ফংগদৌবা মীদু শিখ্রবা মতুংদা লৌবা য়াওরম্মীবনি। লমদম অসিদদি থোইনা লানবা ওইনা লৌদবসু য়ারিবনি। ভোট লেপ্পা মীনা পেন্সন য়েনবদি য়ারগা শিবগী রিপোর্ট পীবসি পুলিসনা পীবা কৈদৌবগে। বোর্দরদদি কনাগী পুলিস লৈদৌরিবা। মসি হায়রিবগী মরমদি পেন্সন ফংলিবশিংগী থা তরুক-তরুক লৈরগা ফোটো কাপ্পা হায়বসিগী খল্লুবগী ৱানি।

ট্রেজরিদা ফোটো কাপ্পা চৎপসি গৌড় লীলা মাল্লকপদুনি। অমনা (হান্নগী মাগী ওফিসর ওইরকপা ওইরমান্নে) সর খুবাম অনী থাঙ্গত্তুনা খুরুম্মী, 'নোংমা চত্থোরকউদনা' হায়রি। হান্নগী পাখোন হায়বদু নীংশিংলমগনি, চৎলমদৌবা মান্দে। ইনাও অমনা হায়রকপদু নীংশিংলকই, ৱাট্রু চাম্মগী ওইসনু, হুম্ফুগী ওইসনু, নিফুগী ওইসনু অচাকপা বল্ব মখৈদি মান্নৈ হায়বনি, পেন্সন চৎলবসু হান্নগীদৌনা চাউবা মীসু লৈব্রনে। হৈনখিবা হায়বসিসু লুখ্রবা ৱানি, হকচিক লাংবা (ৱাকিং) চৎপদুদা রিক্সো অমা লৈরম্বদু চৈশুদুনা 'কাক' ফুরুরিবনি। পেন্সন খরখক ফংবদুগীসু লুপা চামরি-চামঙা খেন্নবদু ৱা ওইনা ঙাঙনবসু য়াওরকই। কদায় কদায়দনো পোষ্টিং চৎলুবগী ৱারী তোকপা নত্তে, ইন্দিয়াগী মফমশিং, জপান, কোরিয়া অদুগদি সিফাইশিংগী ট্রেনিং ওইরমান্নে। অদুম স্মার্ট ওইরি। লেপ্পদগী চৎপদগী, ফিজোলদু ফাওবা ইষ্ট্রি তকপা মাল্লি। মী য়াংখৈ হুম্ফু লেপ্লিবদু ৱা ইঙাঙ ঙাঙদবনা অয়াম্বনি, চিন লোইনা খুম্লে, নকশিন্নদে, মায়বু ওনশিন্নদে। ঙসাইগী ৱারী তোক্তবা অনীদুদি অদুম ঙাঙলি। ফুরিৎ খোঙ্গ্রাওদি অয়াম্বনা ইষ্ট্রি তক্লদ্রেদা, অহনবা লিৎপবু ইয়াও য়াওনদ্রে। হন্থনা য়েংলুববু ঐগী খোঙ্গ্রাওদু খুদোন্দু খরা তৎলে, মফোনবু থোক্লে, কদাইদগীনো পুটিন তৈরুবগী খরসু তৈদুনা লৈরম্মী। কংখ্রবা ওইরল্লে কন্থোকপা চৎত্রে। করিসু খল্লুদ্রে, মাঙথংনা লেপ্লিবা ইয়াম্বদুগী মচু তানা লিৎলিবা ফুরিৎ অরাংবদুসু নঙ্গলগী লেংপাক্তু মচুদু খরা পাথরে। খোঙ্গ্রাওদুদি মাগীনা ফরি, ইষ্ট্রিদি তক্লদ্রে। খোঙউপ অদুদি শউনগী অমুবনি, ঐগীদি নেপালদগী ইশানা লৈরকপা চাত্রেৎ-চানিপাল পীবদুনি, শেন্দলনি। বাটাগী লিশীং অমগা চামঙা পীবা শেন্দল অমা অহানবা উপ্পা নুমিত্তুদা (কৈশামথোংদা) মাঙহৌবদু নীংশিংলকই। মাঙলমদ্রবদি ঙসি ফাওবা উপচগদৌবনি। ময়াম মমাঙদা লেন্নজবা ঙমদৌবনি, অদুবু চোপ্পমক্তি চোপত্রে খল্লি।

মাস্ক উপ্পবসু ফোটো কাপফমদা ঙাইহাক লৌথোকই। কেমেরাদু থোঙনাওগী মপান্দা থেৎলি, থোঙনাওদু ফিনা পুল্লপ খঞ্জিনখ্রে। মনুংদগী হায়রকপদু তাদবসু য়াওই, ''ইবেম্মা খরা কন্না হায়রকউ, নাসি কয়া তাদ্রবনি, নম্বর ৱান ৱান...।'' ''য়ারে-য়ারে'' কুইনা চঙবা নত্তে। করিগী কৌরিবনো, মসিদগী লায়বা পাম্বৈ অমত্তা লৈত্রবরা। লৈরিব্রা শিখ্রবরা খঙনবগীদমক চহী ৮০ হেল্লবদু কৌরগা ফোটো কাপ্পা হায়বসিদা মীনুংশিদু খরা লিকপা মাল্লবা অমা য়াওরি। মীরোল খরা ৱাৎলক্লবা ময়াম য়াওরক্লি, ইমা-ইন্দোল খরদি লম্বীদু লান্না চঙশিল্লকপসু য়াওরি, অহানবা লাকপা ওইদবসু য়াই, মুরুম-মুরুম শোল্লগা চঙলকপসু য়াওরকই। শেন্নরকইবা নহাদুগা পাউ ফাওনবা ৱাবসু ময়াওরি, ''হা করি হায়বা...'' নহাদুগী তুংদা অদুম ইন্নরি। ক্যু লেপ্পদু কুইনা লেপ্পা ৱারকপগী ভেরেন্দাদা ফম্বসু য়াওরি। নুমিৎ খুদিংগীদি অসুম্না য়াল্লমদবসু য়াই; উগী ফানশাং অনীখক থারিবদুদি মমাঙদনি, মী য়াঙ্খ্রে-হুম্ফুদুগীদি কোন্নবা নত্তে। সেনিয়র সিটিজন হায়বসিদি শিরদৌবনিনা খরা ৱাহনগদৌবা ওইরমগনি। অদুবু হাৎলদৌবনি খনবা মাল্লকইবনি। ৱার মমাঙগী শঙলেনসু মাল্লি, যূম্বীদু মখোঙ তৎলে, ফরা-ফরা হাইরে, লৈশৌনা চাখিবসু মাল্লি, তুরবদি ঐ কোক কায়বসু য়ারিবনি। যূম্বীদুদি ফবু ফরে, ইলেক্ট্রিক্কী ৱায়রদু তৎলগা য়ান্থরি। মৈ য়াওরিব্রা খঙদে, য়াওরম্মরোইসু খল্লি। থেংলুবা য়াবা নত্তে, চেকশিল্লিবনি। নালা য়ারিবা টিন মচেৎ অদুসু তঙ্খায় অমা চাথৎখ্রবনি, থরাক-থরাক য়াল্লি। মচেৎ অমফাও লৌথোকপীনবা মী লৈত্রবকো। প্লাষ্টিক তৎলি-তৎলি তৌরবা চৌক্রি অনীমসু লৈ। অহল অনী ফল্লম্মী, অমদা ফম্মুসু হায়রম্মী। সেনিটাইজরসু য়াওরি, ঐদি ফমলুদে, মী অয়াম্বনা ফল্লল্লবা ওইরমগনি। অহল অমনদি হায়রি, ''কোরোনাসি থোইনসু কিরুনুদা। মাসু মাস্কতি অনী লোল্লি, লাপ্নদি লেপ্পী। ঙকইবদি ওফিসকী ওইবা সেনিটাইজর কাপ্পগী ৱা য়াওদে, ফোটো কাপ্লিবা মফমদু মথং-মথং ইনক নকশিন্নৈ, মিনট খরদি মাস্ক হাংদোক্লিবনি। ৱাহং পাউখুমগী ৱা ঙাঙদবসু য়াওদে, ইশাগী নম্বর অমা শাংনা লাওগদৌরিবনি। মী খুদিংনা লাওরল্লিবনি, হায়বদি শ্বর কামথোক্লম্মীবনি, মদুগী মফম অদুমক্তদা অমা চঙলক্লগা অমুক মাস্ক হাংদোক্লগা ফমগদৌরিবনি। মসিদা লোইরে, চেকশিনবগী থাক, শোমদনা টি ভিদা খূৎ চাম্বা কন্না তল্লিবনি। চিন মেনবসু তম্বা চঙইবনি।

ওফিস অসিদা থবক তৌরম্বা মীওইসু য়াওরম্বা য়ারি। চুম্না চৎপা ঙমদ্রবা থক-থক নিকপসু য়াওরবনি, তপ্না চৎপা খরসু য়াওরে, নোয়বদা ময়ায়খক্তা নোয়বসু য়াওই, য়াং কংবা য়াবা কংবসু য়াওরে। অহলশিংগী লীলাদি মানা-মানা থোকপা তৌথোরকপা তাবনি। ইচা ইশুগী মরমদা হংনবদি অদুম য়াওই, মশাগী মরমদদি কয়া হংনদেদো ইম্ফাল ময়োন্দা ষ্টেট অমগী ট্রেজরি ওফিস ওইরল্লিবা শঙ অমনা অসুম্না লৈরম্বসি ওফিসর ওইবশিংনা থবক ফজনা তৌবগী খুদম ওইরমগনি। শেল-থুমগী চাগা-চাদিং তৌখিবা ময়ামদু লোইনা চুল্লমগদ্রা খল্লকই। য়াদে, পাউ ময়ামদুনা হুরানফম ওইবা অদুম ওইরকই, হুরানববু হুরানবনা ফাবা য়াবা হৌনদে। পেন্সনগী চে পীশিনবদা পীরম্বা শেলদু নীংশিংলকই, লাইদা কৎপগুম্বনি। লুপা তরা-তরাদং কৎপা লাইশঙনা টিন মনানা কুপ্পলগা শারি, শেল য়াম্না কৎলম্বা লাইশঙগুল্লবা শঙ অসিনা তেকশি তেকঙমদা, তুশি তুঙমদনা লৈবসি মরী লৈনবা ওফিসরশিংদুনা ফোটো কাপ্পা লাক্লবা অসি ফাওবদা উদবা য়াওরবনিকো খল্লুবদা মিৎসি নাম্মা কোথোক্লগা মঙোন্দা পীনীংলকপা ফাওই। কোরিয়াদা, জপান্দা, লন্দন্দা, কনাদাদা শান্নবগী, জগোয়গী চৎপশিংদা ট্রেজরি অসিগী ফোটো অমমমদং পুহনখিবা য়াবনি। ম্যুজিয়মদা থম্বা য়ারবা ফাওবা শীজিন্নরিবা হায়বদি ফজনা হৈনা শীজিন্নবা হৈবসিগী পাউদু শন্দোকপা অমা চঙলি। চহী লিশীং-লিশীংগী লৌশিংদু কাউথোকপা ঙম্বা নত্তে, ঐখোয়সু বৃটিশনা তম্বীবা য়াবা তম্বীরম্মীবনি করিনো। হৌজিক্তি মসিসু নাট হায়বদু ওইরবনি। শঙলেন অসিদি মচু ফজরি, লাক্লিবা মীয়ামসিনা হেন্না ঙকই। শেল কৎপা লাক্লল্লবা ঙাক্তনি। ভিদিও কাপ্পশিংদুদি লাক্ত্রিবা মাল্লি। ফোটো কাপ্পা লাক্লিবশিংদি মথংগী থা তরুক লৈরগা লাক্তবা য়াওরনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।